## হেন্দ সেনিটাইজর তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): সী এস আই আর নোর্থইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎনা পুথোকপা অলকোহোল বেজ হর্বেল হেন্দ সেনিটাইজর য়ুনিট ১০০ ঙসি সী এস আই আর- এন ঈ আই এস টি লম্ফেলগী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. হুইদ্রোম বীরকুমারনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা তেংবাং ওইননবা লোক সভাগী এম পি, ডা. আর কে রঞ্জনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। মমাঙদসু ইনষ্টিট্যুট অসিনা পুথোকপা হেন্দ সেনিটাইজরশিং মীয়ামদা য়েন্থোকখিবা লৈখ্রবনি।

## সনা কোনুংগী মশিল থৱান পোৎলাকপা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): সনা কোনুংগী মশিল লৈবাক নিংথৌগী য়াইফনবা পাঙথোকপা ইবুধৌ পাখংবদা নীজবা থৌরম উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শীন্দুনা ইবুধৌ পাখংবা, উত্রা শঙলেন্দা লৈবদা পাঙথোকখ্রে। থৱান থাগী অহানবা তৎনবা নুমীৎতা পাঙথোকপা থৌরম অদু অঙোম নিংথৌ, অঙোম অমুবীনা লুচিংদুনা পাঙথোকখি। ইবুধৌ পাখংবগী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা অমাইবা, অমাইবী অমদি উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী ফম্নাইবশিং য়াওনা থৌনি থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা লৈমরেন্বীসু শরুক য়াখি। ঈং-চিকপা, চাকহোং-ঙাহোংবা লমদম অমাওইহনবীনবা অমদি খুঞ্জাও লৈচাওবা ওইহনবীনবসু থৌনিখি।

### Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| DG Control | - 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | |
| Imphal | - 101 |
| Moirang | - 8415925197 |
| Churachandpur | - 8415925191 |
| Thoubal | - 8415925203 |
| Kakching | - 8415925194 |
| Jiribam | - 8415925193 |
| Mayang Imphal | - 8415925196 |
| Bishnupur | - 8415925190 |
| Moreh | - 8415925198 |
| Kangpokpi | - 8415925195 |
| Ukhrul | - 8415925205 |
| Senapati | - 8415925199 |
| Chandel | - 8415925192 |
| Singhat | - 8415925201 |
| Sugnu | - 8415925202 |
| Yairipok | - 8415925206 |

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 87.732426 |
| US Dollar | 74.790489 |
| British Pound | 97.015549 |
| Australian Dollar | 53.633858 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.679011 |
| Japanese Yen | 0.711853 |
| Malaysian Ringgit | 17.623246 |
| Singapore Dollar | 54.312475 |
| South Korean Won | 0.062616 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.944130 |
| Thai Baht | 2.377428 |
| Myanmar Kyat | 0.05467 |
| Bangladesh Taka | 0.88122 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 52975.05 |
| Mumbai | – | Rs | 52924.00 |
| Delhi | – | Rs | 52891.00 |
| Kolkata | – | Rs | 52922.50 |

## GAS NEWS

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto : 02/07/2020
Valid From : 02/06/2020
Home Delivery Only
Contact Nos. 8730954041, 8259969582
Call Timing: 8.00am –11.30am

**TDK GAS SERVICE**
Booking upto : 24/06/2020
Valid from : 15/06/2020
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS.
6909614353/8731992324

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking upto : 15/07/2020
Valid from : 06/07/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing:8:00AM to 2:00PM

**MAIBIA GAS MOIRANG**
Booking upto : 18/06/2020
Valid from : 08/06/2020
***STOCK= 306***
(HOME DELIVERYSERVICE), CONTACT NOS. 1. DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746 (KUMBI A/C).BOOKING vv CONTACT NO. 7085972248.
TIMING : 8.00 AM TO 12.00 NOON.

**JRONGMEI SK INDANE, WANGOI**
Booking upto : 20/06/2020
Valid from : 18/06/2020
***Stk. : 306***
Timing : 6.00am to 9.00am.
Home Delivery (Contact no. 6909963855/8119073029)

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking upto : 24/06/2020
Valid from : 21/06/2020
***STK. : 306***
TIME : 7:00am -10:00am
HOME DELIVERY DATE : 30/07/2020
CONTACT NO. : 7005695308, 6009772483

**LEIBAKLEI GAS KAKCHING**
Booking upto : 30/05/2020
Valid from : 22/05/2020
***STOCK : 612***
HOME DELIVERY ONLY CONT. CALL : 9862836403, 8415050488, 9862283423
TIME : 7.00AM T0 10.00AM

**LAMSANG GAS AGENCY**
(Home Delivery only)
Booking upto : 10/06/2020
Valid from : 30/05/2020
Timing 8am to12am
Home Delivery Contact No. 8730087936
Please Submit Consumer latest mobile number.

# লোকদাউন, কর্ফিয়্যু থুগায়দুনা থোরকপা মীওই ৪১৫ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ শন্দোরক্লিবসি থিংনবা লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়্যু থমদুনা মীয়াম য়ুমদগী মপান থোক্তনবা লাউথোক্লবসু লোকদাউন অমদি কর্ফিয়্যু থুগায়দুনা থোরকপদা নত্তনা ফেস মাস্ক উপ্তুবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবশিং ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা পুলিসনা দ্রাইভ চথবদা মীওই ৪১৫ দিটেন তৌখি। মসিদা গাড়ী ১৪সু ফাগৎতুনা দিটেন তৌখি।

ঙসি মণিপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চথখিবা দ্রাইভতা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়্যু থুগায়দুনা থোরকপদা নত্তনা ফেস মাস্ক উপ্তুবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা পুন্না মীওই ৪১৫ দিটেন তৌবগা লোয়ননা গাড়ী ১৪সু দিটেন তৌখি। মখোয়দগী পুন্না ফাইন ওইনা লুপা ৯৩,৪০০ খোমগৎখি হায়রি। মখোয়শিং অদু মখা তানা তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি।

লোকদাউনগী চৎন-কাঙলোন থুগায়দুনা থোরকপা মীওইশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজ মেন্ট এক্ট ২০০৫কী মখাদা লোগী ওইবা থবকসু লৌখৎকনি হায়রি। ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়্যু থুগায়বা মীওই ১৪৫ অমদি গাড়ীনা ৪ দিটেন তৌখিবগা লোয়ননা পুন্না লুপা ৪১,১০০ ফাইন তৌহনখি। ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা মীওই ৬ অমদি গাড়ী ৪ সু দিটেন তৌবগা লোয়ননা লুপা ১,৬০০ ফাইন থিহনখি। থৌবাল পুলিসনা মীওই ২৮ অমদি গাড়ী ৪ দিটেন তৌবগা লোয়ননা লুপা ১,৭০০ ফাইন থিহনখি। ককচিং পুলিসনা মীওই ৫১ দিটেন তৌবগা লোয়ননা লুপা ১০,৫০০ ফাইন থিহনখি।

চান্দেল পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা মীওই ১৪ অমদি গাড়ী ২ য়াওনা দিটেন তৌখিবগা লোয়ননা ফাইন ওইনা লুপা ২,৮০০ খোমগৎখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথবদ মীওই ৮৯ দিটেন তৌখিবগা লোয়ননা মখোয়দগী লুপা ৮,৫২১ ফাইন থিহনখি। চুড়াচান্দপুর পুলিসনসু তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথবদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়্যু থুগায়দুনা থোরকপা মীওই ৫৩ দিটেন তৌবগা লোয়ননা লুপা ১০,৬০০ ফাইন ওইনা খোমগৎখি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথবদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়্যু থুগায়বা মীওই ৬ দিটেন তৌবগা লোয়ননা লুপা ১,২০০ ফাইন থিহনখি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথবদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়্যু থুগায়বা মীওই ১০ দিটেন তৌবগা লোয়ননা লুপা ২০০০ ফাইন ওইনা খোমগৎখি। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথবদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়্যু থুগায়বা মীওই ১৩ দিটেন তৌবগা লোয়ননা মখোয়দগী লুপা ৬,৬০০ ফাইন ওইনা থিহনখি।

মণিপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথবদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়্যু থুগায়দুনা থোরকপা অমসুং গাড়ী দিটেন তৌবা য়াওনা ঙসি ফাওবদা ফাইন ওইনা পুন্না লুপা ৭৮,৫৪,৭৫০ রোম খোমগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

# হেপ্পি লাইফ ফাওন্দেসন মণিপুরগী অহুম্লকশুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): হেপ্পি লাইফ ফাওন্দেসন মণিপুরগী অহুম্লক শুবা মপোক কুমওন ঙসি ভর্চুয়েল প্লেটফোর্মদা পাঙথোকখ্রে হায়না হেপ্পি লাইফ ফাওন্দেসন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি হুইদ্রোম শুরেসকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুগী মনুংচন্না লুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি হুইদ্রোম শুরেসকুমারনা লুপ অসিনা হৌরকপদগী হৌনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা ইস্যুশিংদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাকখিবশিং অমুক হন্না নৌহৌননা লুপ অসিগী থৌমিশিংদা নীংশিংহনবগা লোয়ননা মতুং তারকপদসু অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা মণিপুর ঈমা লৈবাক্কীদমক লেপমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

লুপ অসিগী থৌমিশিংনা এপ্রিল ২৯দা পেন্দমিক ওইরবা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবগীদমক ফ্রন্ট লাইন ৱর্কর ওইরিবা খোংজোম পুলিস ষ্টেসনদগী হৌরগা পাঙ্গৈ বাজার ফাওবদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিংদা অচা অথক য়েন্দুনা পুক্নিং থৌগৎখি। অদুবু হৌজিক্কী লুরবা তাঞ্জা অসিদা ঐখোয় মশেল গ্যান তানদবা মানবা অমনা অমদা মরাল শীজিন্নবগী মওং ওইনা চৎথরক্লিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবা অমনি হায়খি। থৌওং অসিনদি কোভিদ-১৯ লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙল্লোই। ইশা-ইশাগী অখুবা ৰাখল্লোল তুংওইনরম্লগা ইরমদম মণিপুরগী অমত্তা ওইবা ৰাখল্লোলদা য়ুম্ফম ওইদুনা থেংনবা নত্তনদি লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবা ৰাগনি।

মরমদি মীওইবা হায়বসি পূন্না-পূন্না হিংমিন্নবা কাংলুপ মখল অমনি হায়খি। হেপ্পি লাইফ ফাউন্দেসন মণিপুরগী ৩শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখিবগী থৌরম অদু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন লৈখিবদগী ওনলাইন ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা ফাউন্দেসন অসিগী ওফিসশিংকী ব্রাঞ্চশিংগী থৌমীশিংগা পুন্না পাঙথোকখিবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# নুপীশিংনা শাজবা ফীশিং লৈশিন্দুনা থম্নবা থৌরাং পায়খৎলে: রিমা

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী নুপী অয়াম্বনা ফীশা-লোনশাদুনা ইমুং-মনুং পুবদা অচৌবা মতেং ওইদুনা লাক্লি। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌখিবদগী ফী শাবী নুপীশিংনা শাজরিবা ফীশিং য়োনফম লৈতবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। ইমুং-মনুং পুরিবা নুপীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদগী খরদং ওইরবসু কোক্লবগী পান্দমদা ষ্টার ৱিমেন এসোসিয়সন (এস দব্লিয়ু এ)না লমদম অসিগী নুপীশিংনা শাজবা ফীশিং লৈশিন্দুনা থম্নবা থৌরাং পায়খৎলে হায়না এসোসিয়সন অসিগী সেক্রেটরি ঐচ রিমানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, লমদম অসিগী নুপীশিংনা মখল মখা কয়াগী ফীরোল শাদুনা ইমুং-মনুং পুবা খক নত্তনা ষ্টেট অসিগী ইকোনোমি ফগৎনবগী লম্বীদসু অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। অদুবু লোকদাউন মতম শাংনা তৌরকপনা মরম ওইদুনা নুপীশিংনা ফীশিং শাজরগসু য়োনফম লৈতবনা শেন্থোক লৈরক্তবদগী ইমুং-মনুং পুবা ফাওবদা অৱাবা ওইনরে। অসিগুম্বা অৱাবা ফীভম অসিদগী কোকপা ঙম্নবগীদমক অমদি মতেং অমা ওইনবগীদমক শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দা লৈবা ষ্টার ৱিমেন এসোসিয়সননা ফী শাবি নুপীশিংদগী ফীশিং লৈশিন্দুনা থম্নবগী থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী ফী শাবি নুপীশিংনা এসোসিয়সন অসিগী ওফিসকী নম্বর ৯৬১২৯৮৮২৯০ অমদি ৭০০৫১২০৩৭২ অসিদা কন্টেক্ট তৌবিরকউ হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# লাইয়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরনা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): লাইয়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরনা শিন্দুনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা কোভিদ লাইচৎকী ফ্রন্টলাইন ৱরিয়রশিংদা ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখ্রে।

ইম্ফালগী মেজোরখুলদা লৈবা প্রেস ক্লবদা ঙসি নুংথিল পুঙ ৩ তাবা মতমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লাইয়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরগী লাইওনিষ্টিক য়র ২০২০-২১গী অহানবা প্রোজেক্ট ওইনা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট লাইয়ন নিংথৌজম বিজয় সিংহনা মণিপুর হোকর এসোসিয়সনগী প্রসিদেন্ট ৱাংখেম অজিৎতা ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা লাইয়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরগী বোর্দ ওফ দিরেক্টর্স অমদি মণিপুর হোকর এসোসিয়সনগী এগজিক্যুটিব মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

ক্লব অসিগী অতোপ্পা প্রোজেক্ট অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুঙ ৪.৩০ তাবা মতমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোং পুলিস ষ্টেসনদসু হেন্দ সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্কশিং য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা ক্লবকী প্রসিদেন্ট লাইয়ন্স নিংথৌজম বিজয়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচাদা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্কশিং খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এদিসনল এস পি অমদি লিলোং পুলিস পুলিস ষ্টেসনগী ও সীনচিংবসু শরুক য়াখি।

প্রোজেক্ট অনী অসি লাইয়ন্স ক্লবস ওফ ইন্টর্নেসনল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিগী ৱান মল্টিপল ৱান প্রোজেক্ট, হেল্‌থ ফোর ওল হায়বা প্রোজেক্টকী মখাদা পায়খৎপনি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯: দি লাইব্রেরী এন্দ কলচরেল সেন্টর, কৈবুং মাইবম লৈকায়গী ফাউন্দর মেম্বর অমদি প্রসিদেন্ট ওইরম্বদা নত্তনা ষ্টেট লেভেল স্পোর্টস এক্টিভিটিজ কয়াদা অচৌবা থৌগাই কয়া পাংবীরম্বা মাইবম বসন্ত এলিয়স শ্যামকহ্নাই, মাইবম লৈকায়দা লৈবনা থা অসিগী ২৮দা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা ফমদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈনবগীদমক মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা থৌনিখ্রে হায়রি।

## বি জে পিদা নৌনা য়াওরক্লবা কোর্পোরেটরশিং...

*লামায় ১গী মখা...* ঙল্লমদবা থবক বি জে পি লৈঙাক লাক্লগা থা ১৫দা তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মখা তারকপদা থবক থৌরাং কয়া চঙশিল্লক্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেননা হায়খি, বি জে পিনা পূম্নমকপু চাওখৎমিন্ননবগী ৱাখল্লোন্দা থবক কয়া পায়খৎলি। পার্টি অসিগী আইদোলোজিবু থাজবা থম্বীদুনা চঙলক্লিবশিং তরাম্না ওকই। চঙলক্কদবা কয়া অমসু লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ওর্দর মণিপুর হায়কোর্টনা...

*লামায় ১গী মখা...* মেন্টকী ওইনা থাদা লুপা লিশীং ৮/৮ পীগদবনি। অদুগা মে ২৮, ২০২০দগী হৌরগা এজেন্সি অসিনা পব্লিক টোইলেট অসি থা ৩৬ (চহী ৩) মেন্টিনেন্স তৌগদবনি। মসিগীদমক থা ৩গী পীফম থোকপা মেনেজমেন্ট ফীসি লুপা ২৪,০০০ সিক্যুরিটি দিপোজিট ওইনা থম্নবসু খঙহনখিবনি।

অদুবু, আই এম সীগী ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নরনা থোকখ্রিবা ওর্দর অসি হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৪১৭ ওফ ২০১৭কী ওগষ্ট ২১, ২০১৮ অমসুং দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ১৩৯ ওফ ২০২০গী ফেব্রুৱারী ২৪, ২০২০দা পীখিবা ওর্দরশিং অদুগী মতাংদা খন্নরমদনা অমসুং ইলিজিবল ফার্মশিং খন্নবগীদমক পব্লিক নোটিশনচিংবা অমত্তা থোক্তনা ওর্দর থোক্লগা পীথোক্লম্বনি হায়দুনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকখিবনি।

হায়কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবা পিটিস্নর অদুগী মমিং কৈশাম নিংথেমবির (৫৫) কৌই। চনম শন্দ্রোক মমাঙ লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা কে যাত্রাগী মচানুপানি। মহাক মণিপুর সোসল সর্ভিস ওর্গনাইজেসন (এম এস এস ও), রেজিষ্টর নম্বর-৯৫/এস/এস আর/২০০৪গী সেক্রেটরিনি হায়রি।

মহাক্কী সিভিল রিট পিটিশন অসিগী নম্বর ৪৩১ ওফ ২০২০নি। পিটিশন অসি থাসিগী ২৭তা চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকরগী বেঞ্চতা অহানবা ওইনা লৌখৎলগা মসিগী প্রিলিমিনরি হিয়ারিং পাঙথোকখ্রবা মতুং ঙসিসু অমুক হন্না লৌখৎলগা খন্নখ্রে। পিটিসন অসি খন্নরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা কোর্টতা মহাক্কী ওইবা সবমিসনশিং থমখি। অদুগা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৩ ওইরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ৱাই নিরমোলচান্দনা পব্লিক টোইলেট অসিগী মেন্টিনেন্সকীদমক কন্ট্রেক্ট পীথোকখিবদা পব্লিক টেন্দর তৌখ্রিবা নৎত্রগা তৌখিদব্রা হায়বগী মতাংদা খন্নগদবনা মসিগী মতাংদা ভেরিফাই তৌরক্লবা কোর্টনা মতম পীখি। কন্ট্রেক্টকী ওর্দর অদুসু পব্লিক টেন্দরগী প্রোসেস মতুংইন্না পীখিব্রা হায়বগী মতাংদসু খঙদোরক্লবা দিরেক্সন পীখি।

কোর্টকী দিরেক্সন অসি তারবা মতুংদা সিনিয়র কাউন্সেলগী মায়কৈদগীসু পব্লিক টোইলেট অসিগী মেন্টিনেন্সকীদমক পীবগী থবক্তা অরানবা খরা য়াওখ্রবা মাল্লে হায়বা ৱাফম কোর্টনা ফোঙদোকখি। মরম অসিনা মহাক্কী মায়কৈদগীসু চপ চাবা খঙদোরক্লবগী মতম পীবিনবা হায়জখি।

কোর্টনা আই এম সীগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেলগী ৱাফমদা য়ানীংবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পিটিস্নর কাউন্সেলগী সবমিসনশিংসু তারগা পব্লিক টোইলেট অসি সিক্যুরিটি পর্সনেল, পব্লিক অমসুং অতে মীওইশিংনা শীজিন্ননবগীদমক আই এম সী মশানা মেন্টিনেন্স তৌবদা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা কোর্পোরেসন অসিনা এম/এস এস এম এজেন্সিদা খুৎশিন্নবগী থোকখিবা ওর্দর অদু কেস অসিগী মথংগী রিটর্নেবল দেট ওইরিবা ওগষ্ট ৩, ২০২০ ফাওবগী মরক্কী ওইনা ষ্টে তৌদুনা থম্লে হায়খি।

# ‘আই এল পি পর্মিট পীবগী থৌওং কন্দেম তৌই’

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা নুমীৎ ১৪নি লোকদাউন লাউথোকখ্রবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা ওর্দর অমা থোক্তুনা মতম খরা ইন্নর লাইন পর্মিট পীবা লেপ্লুরবগী তুংদা মীতোপ-মীয়ানচাশিং পর্মিট পীদুনা চঙলক্লিবসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না কো-ওর্দিনেটিং বোদি, খুরাইগী এসিস্টেন্ট কো-ওর্দিনেটর এম লোয়া মৈতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঐখোয়গী ইচিল-ইনাওশিংনা মপান লমদগী চঙলকপদা কোভিদ-১৯গী অচৌবা ঈহৌ অমা লৈরিঙৈ তাল্লকসিদা মশক খঙদবা মীতোপ চঙলকপা হায়বসি য়ানিংদে। মণিপুরদা মপানগী লমদা লৈরুবা/চৎলুবা ইচিল-ইনাওশিং হেক নকশিন্নবা হৌবদগী কোভিদ-১৯গী লায়নাসি হেন্না শাফোঙলকখি। মসিদা থংন-থংননা চঙশিল্লক্লিবা ইচিল-ইনাওশিং অসিনা মরম ওইরগা চেকশিনহৌদবদগী কম্যুনিটি স্প্রেদ তৌবগী থাক্তা লৈরে। ঐখোয়দা লৈজরিবা প্রোব্লেমশিং অসি লাকশিনবা ঙমগনি নৎত্রগা ঙম্লোই হায়বসি লাংতক্লবা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট পীরগা মীতোপ-মীয়ানচাশিং চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি খুদক্তা লেপ্পীয়ু। ইচিল-ইনাওশিং অসি ফাওবা লায়েংবা ঙমদ্রিবা অসিগী মথক্তা মখোয় অমুক য়াওরক্লবদি হেন্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরগনি।

মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরী মচা নত্তনা অতোপ্পা মীওই অমত্তা কোভিদ-১৯ লায়না অসি লাকশিনবা ঙমদ্রিবা ফাওবা চঙলকপগী অয়াবা পীরোইদবনি। মরমদি হৌজিক ঐখোয়না থেংনরিবসি হিংনবগী লানফমনি। হৌজিক লৈরিবা সিক্যুরিটি ফোর্স অসিসু হান্নগুম রুটিন ট্রান্সফর তৌবীগনু। কোভিদ-১৯ লোইদ্রিবা ফাওবা লৈহনবীয়ু। অনৌবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংসু পুশিনবীরক্নু হায়রি।

# পুখ্রি অমদি লম্বী শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): কুম্বী এ সীগী মনুং চন্না লৈবা বোরায়াংবী জি পিগী মনুং চন্না লৈবা লাইঙৌবী হায়রিবা খুন অসিগী অকোয়বদা লৈবা লম্বীশিং অমদি খুন অসিগী মীয়ামগী পুখ্রি ঙরাং স্কুল অসিগী ক্লব অমসুং খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা শেংদোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইঙৌবী য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব (এল ৱাই দি সী)গী সেক্রেটরি মাইস্নাম মালেমঙানবা মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা, লম্বী অমদি মীয়ামগী পুখ্রি শেংবা অসিদা সাইতোন অৱাং লৈকায়দগী সোসল ৱর্কর শৌগ্রাকপম ওংবী সোরোজিনিনা অঙম্বা মতেং পাংবীদুনা খুনসিগী ক্লব অমদি খুঞ্জাশিংগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকপনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা লম্বী অমদি খুনগী পুখ্রি অসি মহিক-মতাই চেন্দবা অফবা অরুবা ঈশিং ওইনা থম্নবনি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না কুম্বী থিংঙেল লৈকায় কাংসুবি খোংবাল তাবা হিরম মরিল হায়রগা খঙনবা খোং অসি ঈশিং চেনবা ঙমদ্রবা কুইরবনি। খোং অসিসু মীয়ামগা লোয়ননা শেংদোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# বিষ্ণুপুর ভি দি এফশিংনা প্রোটেষ্ট চথখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর ভি দি এফশিংনা লৌরিবা পোষ্টশিংদা প্রোটেষ্ট মপুং ফানা চথখ্রে হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা ভি দি এফ মেম্বর খূদিংনা দিমান্দ কয়াগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক মনুং চন্না বিষ্ণুপুরগী ভি দি এফ মেম্বরশিংনা পোষ্ট লৌদুনা লৈরিবশিং পুলিস ষ্টেসন-৮ ভি দি এফ খক্তগী ওইনা আউট পোষ্ট ২৯সিগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ৱাংমদা লৈরিবা বিষ্ণুপুরগী ভি দি এফ আউট পোষ্ট ২ নোনে দিষ্ট্রিক্ট অমদি সী সীপুর দিষ্ট্রিক্টতা আউট পোষ্ট হাংদুনা মথৌ তৌহল্লি। মসিদা নত্তনা লোকল এম এল এগী য়ুমদা হাউস গার্দ ওইনা অমদি বেঙ্কনচিংবা কয়াদা মথৌ তৌরিবা ভি দি এফশিংনা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা থা অসিগী ১৬ তগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঐখোয়না লৈরিবা মফম আউট পোষ্ট অমদি পুলিস ষ্টেসনশিংদা ঐখোয়গী দিমান্দশিং য়াওবা প্লে কার্দ পায়দুনা প্রোটেষ্টকী খোঙজং অসি বিষ্ণুপুরগী ওইনসু চথখ্রে। থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্তগী রেস্পোন্স লাক্তবা তারবদি মথংগী নুমীৎতগী সেন্ট্রেল কম্মিটি অমদি দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিশিংগা পুন্না খোঙজং কয়ামরুম চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়রি।

# ইন্দিয়াদা পন্দুনা লৈরম্বা ম্যান্মারগী মীওই ২১ খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ গী লাইচৎ অমদি লোকদাউননা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা ম্যান্মারগী মীওই নুপী ৯, নুপা ১২ মখোয়গী মরমদমদা হলহনখ্রে হায়রি।

মখোয় ২১ অদুগী মনুংদা মীওই ১১ না শিল্লোংদগী হল্লকপনি। মীওই ৪না চুড়াচান্দপুরদা লৈরুরগা হল্লকপনি। মীওই ২ না কংলাতোংবীদা লৈরুরগা লাকখিবনি। অদুগা মীওই ১না বেঙ্গলুরুদা লৈরুরবা মতুংদা ককচিং লমখায়দা অমুক লৈরম্লগা লাকপনি হায়রি।

হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা মখোয় মোরেগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরবা মতুংদা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরগা মরমদমদা হন্নবা থৌরাং তৌবনি। শিল্লোংদা লৈরুবা মীওই ১১ অদু মহৈরোয় ঙাক্তনি। মখোয় ম্যান্মারগী কাচিন ষ্টেটতা লৈবনি। অদুগা মীওই ৪না চুড়াচান্দপুরদা থিওলোজিয়ন তম্লুবনি হায়রি। মখোয় চান্দেলগী এ দি সীগী মেম্বর সেসিলিয়া চিনৈভাহগী য়ুমদা হোম ক্বারন্টিন তৌবনি হায়রি।

মখোয়না ইন্দিয়াদা লৈরিঙৈ মতমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি চান্দেলদা লৈবা সেসিলিয়া চিনৈভাহ হাওকিপনা মতেং পাংলকপা অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মোরে হোস্পিটালগী ডা. প্রিতমনা স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা ম্যান্মার মচা ২১ অদু মোরেগী আই সী পিদা ওফিস অসিগী রোবিন গাংতে, চান্দেলগী এ দি সী মেম্বর সেসিলিয়া চিনৈভাহ, ৪৩ এ আরগী মেজর বিক্রম, ইম্মিগ্রেসন ওফিসর অমদি মেদিকেল টিম য়াওনা মোরেদগী ইন্দা ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপকী থোঙ ফাওবা থিনবীখি। তুংদা তামু, ম্যান্মারগী দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল ওফিসরনা লুচিংবা টিমনা মখোয়বু ওকখি হায়রি।

# মীয়াম পুকচেল খোয়জেল তীন্নবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লান্থেংমিন্নসি : কাউন্সীল

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): মীয়াম পুকচেল খোয়জেল তীন্ননা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লান্থেংমিন্নসি হায়না ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীলগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা য়ুম্লেম্বম য়াইফবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই, অশি-অনা য়াওরবদি মীয়াম মরক্তা খৎন-চৈনবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরক্তুনা কোরোনা লাইচৎকী লান্থেং মরক্তা প্রোব্লেম কয়া অমা লাক্কনি। হৌজিক্তি মীয়াম হুপ্পা লাইচৎ অসি লান্থেংনগদবা মতম ওইবনা মীয়াম মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তৌনবা চুমদে। খাইবুং তাবা য়াবা থবক থৌরম অমত্তা তৌবীগনু। কোরোনাগী লান্থেংদা মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা মানা মানা লৌগদবা থৌদাং মতম চানা লৌনগদবনি। মসিদা অশোয়বা লৈরবদি কন্সত্রক্টিভ ক্রিটিসিজম তৌনগদবনি অমসুং লান্না লৌনরোইদবনি। পোজি-টিভ থিঙ্কিংনা মাঙ থাগদবনি। ক্রিটিসিজম পীবা মতমদসু লাইচৎ অসি ইফেক্টিভলি লান্থেংনবগী পান্দমদা পীবীগদবনি। মীগী অশোয়বদা মীচৈ থিনা চৈবা, নৈহৎপগী মওং তৌবীরোইদবনি।

কম্ম্যুনিটি লিদরশিংনসু মীয়ামগা লোয়ননা এস ও পিশিং ঙাক্লা কোরোনাগী লাইচৎ করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বা মফম খুদিংদা সিরিয়স ওইনা নৈনহৌবা মতম থেংমনখ্রনি। মণিপুরগুম্বা লায়রবা হেল্‌থ ক্যের ফেসিলিটি অসি য়াম্না লিমিটেদ ওইবা মফমদদি কম্ম্যুনিটাইজেসন অমদি কন্সিটাইজেসনগী প্রোসেসনা মীয়ামদা কোরোনা লাইচৎ থিংনবগী মপুং ফাবা লৌশিং লৈহল্লগা কম্ম্যুনিটি পার্টিসিপেসন তৌহনবনা লাইচৎ অসি য়াম্না ইফেক্টিভ ওইনা থেংনবগী খ্বাইদগী মরুওইবা খোঙথাং ওইগনি। মীয়াম্না ইশা-ইশানা ৰাখল তাবা মওংদা লাইচৎ অসি ঐ ইশা অমদি মীয়ামগী খল্লগা ঙাকথোক্কবা ঙম্লিবমখৈ হোৎনমিন্নসি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯ লান্থেংনরিঙৈ চৈরক্তা ফম মুন্নবগী লান চথবা পোলিটিকেলগী ওইবা চরাংনবা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, ওপোজিসন অমদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া পুম্নমক্লা থোকহল্লোইদবনি। পুন্না কোরোনাগী লাইচৎ অমদি মসিগী ঈরোয়নবা চৈথেংশিং অসি হান্না থেংনমিন্নগদবনি। লৈঙাক্সু মতাং মতম চানা চানা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপীয়ু। হন্দক্তা নৌনা আই এল পি অমুক ইস্যু তৌরনি হায়না ওর্দর থোক্লক্লিবা অসি অথুবদা হন্দোকপীয়ু। আই এল পি ইস্যু তৌবা লেপ্পীয়ু। ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ মীয়ামদা মতিক চানা ফংহনবীয়ু। বিজিনেসমেনশিংনা কা হেন্না মমল হেনগৎনা পোৎ য়োল্লিবসি থবক ওইনা পায়খৎতুনা থিংবীয়ু। চেদা ওর্দর থোকপা মীয়ামদা হায়বখক্লদি থবক ওইনা পাঙথোকপগী মমি উবা ফংদে। মতম-মতমগী লৈঙাক্কী ওইবা পোলিসী প্রোগ্রাম লাউথোকপগী মীয়ামদা চম্মুবা থোক্লোইদবা মওংদা লাউথোকপীয়ু অমদি শেন্বীয়ু। লৈবাক মীয়াম্নসু ৰাখল তামিন্নসি অমদি অফবা ৰাখল্লোনগা লোয়ননা লাইচৎ অসিদগী পুন্না লান্থেংনমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## খুমন লম্পাক্তা লৈবা এম এস পি দি সী...

*লামায় ১গী মখা...* জঙ্কসনদা লৈরিবা এম এস পি দি সী এলগী ওইনসু প্রীপেদ রিচার্জ তৌবগী থবক নুমীৎ নীনি/হুমনিগী মমাঙদগী লেপ্তুনা লৈরে হায়রি।

খুমন লম্পাক্তা তঙাইফদনা ট্রান্সফোর্মর অমা শেন্বা লাকখিবা এম এস পি দি সী এলগী ষ্টাফ অমনা ফোঙদোরকখিবদা ওফিস কারকপগী অথিংবদি লৈতে। অদুমকপু কোভিদ-১৯গী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ওফিস কাবা কিনবনা মরম ওইদুনা ষ্টাফ কয়া ওফিস কানরক্তবা য়াওই। ওফিস কারক্লিবা ষ্টাফশিংগীদমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মমি ইতা তাদে। ঙসি ফাওবদা ষ্টাফশিংগী ওইনা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি মাস্কনচিংবা পোৎলম অমত্তা পীবিরকপা লৈতে। করিগুম্বা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ষ্টাফশিংগীদমক হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি পীবিরবদি য়াম্লবসু য়ামদ্রবসু ষ্টাফ খরদি লাক্তুনা প্রীপেদ রিচার্জ হাপ্পগী থবক অসি লোকদাউন মনুং ওইরবসু তৌবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

## মণিপুরদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯...

*লামায় ১গী মখা...* কামজোংদগী ৩ অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতগী ৪ য়াওরি। মীওইশিং অসিগী ত্রাবেল হিষ্ট্রি থিজিনবগী থবক চথরি। লোয়ননা পোজিটিভ ওইরবশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা থমদুনা লায়েংবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনিমসতগী ৬, সী সী সী মৈত্রমদগী ১৬, সী সী সী উখ্রুলদগী ৭ অমসুং সী সী সী থৌবালদগী ৯ পুন্না মীওই ৩৮সু নৌনা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না অসি নারম্বদগী ফগৎলকপা কেস মশীং ১৬৫৩ শুখ্রে। নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনরবা মীওই ১৪১ অসি য়াওরগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং ২৪৫৮ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা কেস ৮০৫ হৌজিক হৌজিক এক্টিভ ওইরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## শকখঙদবশিংগী এটেক্তা এ আর পর্সনেল...

*লামায় ১গী মখা...*পর্সনেলশিংসু হন্দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখি। নাকল অনীনা পুংখায় ১ রোম হেন্না নোংমৈ কাপ্পরবা মতুংদা মফম অদুদা অসাম রাইফলসকী অহেনবা ফোর্স চঙশিল্লক্তুনা থি-হুম্বা চথবদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিং অদু মফম অদু থাদোক্তুনা অশোংবা মোংশোং ফাওদুনা চেনখি হায়রি। থৌদোক অদুদা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল ৫ শোক্লে। শোক্লবশিং অদু অসাম রাইফলসকী মিলিটরি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। অদুমকপু অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী অশোক অপন য়াওখিবা অসিগী মতাংদা ওফিসল ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

## ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং অমসুং জোতিন...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাইখোমগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ২৪ ওফ ২০১৭ অমসুং মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ২৪ ওফ ২০১৯নি।

ইলেক্সন পিটিসনশিং অসি কোর্টনা খন্নদুনা লাকখিবদা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী মায়কৈদা কাউন্সেল এ মোহেন্দ্রোনা লেপ্লগা মহাক্কী জুনিয়র কাউন্সেলশিং ওইরিবা কে ঐচ লুপেনজিৎ, দেভিদ বুন, অয়াম রোমেস অমসুং অজয় পেবমনা এসিষ্ট তৌরিবনি। অদুগা টি ঐচ শ্যামকুমারগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপপ্লিবনি। জোতিন ৱাইখোমগী পিটিসনশিংদনা মহাক্কী মায়কৈদা কাউন্সেল অসেম মোহেন্দ্রো, অয়াংলৈমা অমসুং অতে কাউন্সেলশিংনা লেপ্লগা খুমুকচম জয়কিষনগী মায়কৈদনা সেনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বীনা লেপপ্লিবনি। হয়েং লিষ্ট তৌরবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেসশিং অসি ভিডিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা কোর্টনা লৌখৎকনি হায়রি।

## লুৱাংশঙবমদা ফাখিবা হীদাক মনাগী...

*লামায় ১গী মখা...* তানফম অসিদা লুৱাংশঙবমদা য়াম্লবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং পুশিল্লকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবা অমনি।

ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা নহা কয়াবু শোকহল্লক্কদবদগী কন্নবা ইমা ইবেলশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংনবা হোৎনদুনা লাক্লিবা মতমনি। ঙরাংসু লুৱাংশঙবমদা ইমা ইবেল কয়া য়াওনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অদু ফাখিবনি। হৈঙাং এ সীদা লৈরিবা মীয়াম অসি এস ও পি ঙাক্লা কোভিদতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনজরিবা অমদি ঈং-তপ্পা লৈবা পাম্বশিংনি। মতৌ করম্না অসিগুম্বা য়াম্লবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং অসি পুশিল্লক্লিবনো হায়বদু নীংথিনা য়েংশিনফম থোকই। অসিগুম্বা থৌওং অসি লৈঙাক্লা নিংথিনা থিগৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা হৈঙাং ব্লোক মহিলা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সুমতিনা হায়খি, লুৱাংশঙবমদা ঙরাং য়াম্লবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং ফাবগী থৌদোক অমা লৈখ্রে। পোৎলমশিং অসিগী অশেংবা মপু পুথোক্লিফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং অসিগী অশেংবা মপু অদু পুথোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## এফিদেবিটশিং ফাইল তৌরক্লবা মতম...

*লামায় ১গী মখা...* গিতাজেন মৈতে (৩৭) অপোকপা ঐচ লুখোইনি।

কোর্টনা এপ্লিকান্টশিং অসিগী প্রেয়র তারদুনা মসিবু খন্নবগীদমক লৌখৎলকপদা এপ্লিকান্ট মরি অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল প্রেমজিৎ এলাংবমগী মায়কৈদগী কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা ফাইল তৌরকখিবা এফিদেবিট ইন ওবজেক্সন অদুগী মায়োক্তা রিজোইন্দর অমা ফাইল তৌনবগী মতম চয়োল অনী পীবিনবা হায়জখি।

অমরোমদা, এপ্লিকান্ট মরি অসিনা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস অদুগা মরী লৈননা ও জুগিন্দ্রোগী মায়কৈদগী ফাইল তৌখিবা এফিদেবিট ইন ওপোজিসন অদুদা অশোয়বা অরানবা খরা য়াওখ্রে। মরম অদুনা মদুবু শেমদোক্লবগী মতম পীবিনবসু রেসপোন্দেন্ট অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা কোর্টতা হায়জখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী প্রেয়রশিং তারবা মতুংদা ফাইল তৌরক্কে হায়রিবা রিজোন্দর অমসুং শেমদোক্লবা এফিদেবিটকীদমক মতম পীখিবগা লোয়ননা কেস অসি থা অসিগী ৩১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।